লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী ১৬শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা ক্ষেত্রি সনাজাওবনা ইবা দ্রামা ফেষ্টিভেলগী হুম্নী চনবা নুমীৎকী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক মমাঙদা পাঙথোকখিবা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক ২০২১গী থৌরম রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ শান্তনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টাফশিং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা থবক তৌননবা ৱাশক লৌখিবা

VIGILANCE AWARNESS WEEK

মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাক্তা জি পিগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংদগী বি জে পিদা নৌনা চঙলকখ্রবা মীওই ৬০ রোম পার্টি অসিগী লেংয়ান ফি য়ান্দুনা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা তরাম্না ওকখিবগী থৌরম

KHUNGANG MIPHAM

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম অমদি এদিসনল এস পি অহুমগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা মফম কয়াদগী ফাগৎলবা লগাও মরুশিং

POLICE STATION
Kakching District, Manipur

সাহিত্য একাদেমী যুব পুরস্কার ২০২২

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

সাহিত্য একাদেমীনা যুব পুরস্কার ২০২২গীদমক একাদেমী অসিনা শকখঙলবা লোল ২৪গী নহা ওইরিবা লৈবাকসিগী অইবশিং অমদি পব্লিসরশিংদগী লাইরিকশিং ইনভাইট তৌরি হায়না সাহিত্য একাদেমীগী সেক্রেটরি ডা. কে শ্রিনিভাসরাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, যুব পুরস্কার ২০২২গীদমক পীশিল্লক্কদবা লাইরিক অদুগী অইবা অদু কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ১ ফাওবদা মশাগী চহী ৩৫ নৎত্রগা ৩৫গী মখা ওইগদবনি। লাইরিক পীশিল্লকপগী অরোইবা মতমনা নবেম্বর ৩০নি। ক্লাস ৱান গেজেটেদ ওফিসর অমনা এটেষ্টেট তৌরবা দেট ওফ বার্থ সর্টিফিকেট অমসুং এফিদেবিট অমগা লোয়ননা লাইরিক অদু পীশিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল সাহিত্য একাদেমীগী ৱেবসাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

জিম্পালগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (জিম্পাল)গী ১৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জিম্পালগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সিনিয়র সিটিজন সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস মন্তোন, জিম্পালগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ এ অশংবী, জিম্পালগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট কে ঐচ মেমতোম্বী অমসুং জিম্পালগী এদভাইজর বি শরত শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা জিম্পালনা খুন্নাইগীদমক লৌরক্লিবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু শুগায়বা ৱাফম থমখি।

মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

জ্বালামুখি সেক্তরগী মখাদা অসাম রাইফলসকী মরাম বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা এক্স-সর্ভিসমেনশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা মরামদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১৭৩ লায়েংখিবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি।

সিক্যুরিটি মীট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চসাদ বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি সিক্যুরিটি মীট অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা চসাদ অমদি মনাক নকপদা লৈবা খুলশিংগী ভিলেজ হেদমেন, ভিলেজ ওথোরিটি অমদি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী ঠিএটরগী লমদা শক্লাইরবা এলাংবম বিরকুমারনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী ইমপ্লোয়ীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি এল কিশোরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৩৮দা লাংমৈদোংদা পোকখিবা এলাংবম বিরকুমার অফবা এক্টর অমা ওইবদা নত্তনা শক্লাইরবা প্লেরাইট অমসুং দিরেক্টর অমসুনি। দিকেদ মঙা হেন্না লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী থৌদাং লৌরকপগা লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিগী মরুওইবা শরুকশিংদি রুরেল ঠিএটরবু থাক ৱাংনা থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা কথোক্লমখিবনি। মহাক্না মণিপুরী ঠিএটরগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০০৪ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রবনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মণিপুরী ঠিএটরগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমদি একাদেমী অসিগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াজরি অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজরি হায়রি।

এন ঈ পিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি : রাজেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি)গী মতাংদা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি। মসিনা পোলিসী অসিবু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা হোৎনবদা মতেং ওইহনগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন অমদি জি পি ৱিমেন কোলেজগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা কোলেজিয়েট এদ্যুকেসনগী অনৌবা করিক্যুলম ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা চোইস বেজ ক্রেদিট সিষ্টম (সী বি সী এস) অমদি লার্নিং আউটকম করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক (এল ও সী এফ) শেম্নবগী মতাংদা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন্দা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চত্থগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, এন ঈ পি ২০২০ অসি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক এদ্যুকেসন কম্মিস্নারনা লুচিংবা ষ্টেট লেভেল কম্মিটি অমা শেম্লে। মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেপাসিটিশিংদা ফঙ্কসন তৌননবগীদমক সব-কম্মিটিশিংসু শেম্লে। হায়রিবা কম্মিটিশিং অসিনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎননবা শেম-শাবা হৌখ্রে। হৌখিবা মতম খরা অসিদা ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি অফবা অনৌবা মায়কৈ অমদা চঙশিল্লক্লি। এন ঈ পিনা লোকেল লেংগ্বেজ অমদি লমদমদুগী পুৱারীবু প্রমোট তৌনবসু ফোকস তৌরিবনি। কম্মিটি অসিনা মণিপুরগী পুৱারীবু অনৌবা সিলেবসতা হাপচিন্ননবসু খন্নরে। মসিনা হৌরক্লিবা মীরোলদা ষ্টেট অসিগী পুৱারীশিং নীংথিনা খঙহনবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল এ কে সুরোধোনিনা প্রসিদেন্ট, য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম অমসুং জি পি ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল রাজকুমারী তম্ফাসনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীংগী লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবীগনু : অম্মোকোক

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): চীংগী লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবীগনু হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক)কী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি ৱাহিদুর রহমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা অৱাবা থেঙ্খাং কয়া মায়োক্লমিন্নদুনা অৱা-পোৎলুম কয়া পুমিন্নদুনা হিংমিন্নরক্লিবা মণিপুরগী চীংমী অমসুং তম্মী মীয়ামনি। ঈগী অমসুং লমগী ওইবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা লীপুনগা লোয়ননা পুৱারী শেম্মিন্নরক্লিবা লমদম অসিগী চীংমী অমসুং তম্মী মীয়ামদা মপানগী অমসুং মনুংগী মচেৎ মকায়গী ওইবা ইথিল কয়া চঙলক্তুনা দিকেদ খরা অসিদা খাইবুং তানবা থৌওং কয়া লাক্লি। চীংমীশিংগী মরক্তা নাগা অমসুং কুকিগী, তম্মীশিংগী মরক্তা মৈতৈ অমসুং পাঙলশিংগী মরক্তা নুংঙাইতবা খাইবুং তানবা থৌওং কয়া লৈরকপা, কুকি অমসুং পাইতেগী চয়েৎনবনচিংবা লৈরকপা অমসুং লমদম অসিগী তৎন-থানবা য়াররোইদবা মীয়াম মাগী মাগী ইথনিক অমসুং আইদেন্টিটিগী পোলিটিক্স ৱাংখৎনরক্তুনা নীক-নীক লাউবা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা ফীভম অমগী মরক্তা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি। অসিগুম্বা সেন্সিটিভ ওইবা মীয়ামগী চমম্নবা অমসুং সেন্টিমেন্টশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা পোলিটিকেল পৱার পায়নবা পোলিটিকেলগী লুচিংবা খরনা হোৎনবগী থৌওংসু ইফোং ফোংনা উরক্লি। তম্পাক্কী মরক্তা কেন্দিদেট খরনা চীংগী লুচিংবশিংনা মণিপুর কায়হনগদৌরে মদুদগী কন্ননবা ভোট লেপ্লিবনি হায়রগা ভোট ফংনবা হোৎনরকপা অদুগা চীংগী লুচিংবা খরনা ইফোং ফোংনা তম্পাক্কী মায়োক্তা মরুওইনা মৈতৈ লুচিংবশিংনা চীংগী রাইট মৎপীরে হায়দুনা চীংমী মীয়াম্বু হুন্নবা অকনবা লাল্লোং চথরকপা ঐখোয়না উরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা হন্দক চীংগী এম এল এশিংনা হিল এরিয়া কম্মিটিগী খুখাংদা 'দি হিল এরিয়াজ কম্মিটি বিল, ২০২১' প্রোপোজ তৌরকখিবা অমসুং মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়ামদা চমম্নবা কয়া থোকহনখিবা, মীয়ামগী মরক্তা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা তাঙ্কক অমা লৈহল্লকখিবা অসিগী মখা তারকপদা হন্দক নৌহৌননা চীংগী লুচিংবা খরনা চীংগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা কন্সল্টেটিভ মীটিং কয়া পাঙথোক্তুনা চীংগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা থৌওং কয়া চথরকপা অসিমক্তি য়াম্না লাইবক থীবা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। মীয়ামদা সেন্টিমেন্ট কার্দ শীজিন্নদুনা ভোট ফংনবা হোৎনরকপা থৌওংনি হায়নসু লৌদবা ঙল্লোই।

ঐখোয় পুম্নমক্না খঙই মদুদি প্রোপোজ তৌরক্লিবা 'দি মণিপুর হিল এরিয়াজ কম্মিটি বিল, ২০২১' হায়বসি হিল এরিয়া কম্মিটিদা এগজিক্যুটিভ পৱার পীবা অদুগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলদা অহেনবা পৱার পীবা বিল অমনি। হিল এরিয়া কম্মিটিদা এগজিক্যুটিভ পৱার পীবা অমসুং এ দি সীদা অহেনবা পৱার পীবা হায়বসি পার্লিয়ামেন্ট খক্তনা ঙম্মী। ষ্টেটকী লেজিসলেটিভ এসেম্বলীনা তৌবা ঙম্বা পৱার নত্তে। মণিপুরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ য়ুনিয়ন টেরিটোরি এক্ট, ১৯৬৩গী সেক্সন ৫২(ৱান)দা মণিপুরগী চীংগী লমদা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী কারকপা রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমা শেম্নবগী প্রোভিজন অসি পীবীরম্বনি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদা ২৭শুবা কন্সটিট্যুসনল এমেন্দমেন্টকী মতুংইন্না হায়রিবা গভর্ণমেন্ট ওফ য়ুনিয়ন টেরিটোরি এক্ট, ১৯৬৩গী সেক্সন ৫২(ৱান) অসি চৎনহন্দবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ সীনা হিল এরিয়া কম্মিটি অসি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমা ওইনা লৈহন্ননবা অমসুং অহেনবা মথৌ তৌহন্নবা ৱাফম অসি য়াওহল্লকপগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭২দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী (হিল এরিয়া কম্মিটি) এক্ট, ১৯৭২ ওর্দর থোক্তুনা হিল এরিয়া কম্মিটি অসি আর্টিকল ৩৭১ সীগী মখাদা কন্সটিট্যুসনল ষ্টেটস অমা ওইনা লৈরকখিবনি। মদুদগী হৌনা হিল এরিয়া কম্মিটি হায়বসি অতৈ ষ্টেন্দিং কম্মিটিশিংগুম্না রিকম্মেন্দিং কম্মিটি অমা ওইনা মথৌ তৌরগা লাকখিবনি।

হংনিংলিবা ৱাহংদি করিগীদমক কন্নাসু খঙহন্দনা বিল অসি পুথোরকখিবনো। অসুক সেন্সিটিভ ওইবা বিল অমা পব্লিক ইন্টরেষ্টতা মীয়ামগী দোমেনদা মাঙজৌননা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা করিগীদমক পীরমদবনো। হৌখিবা চহী মরি মখায় অসিদা অসিগুম্বা ৱাফম করিসু খন্নদ্রগা ইলেক্সন ময়াদা নংহৌররোই মতাগুম হোবে হোবে বিল অসি মশাগী পৱারগী ৱাংমদা লৈবা ষ্টেট এসেম্বলীদা পুথোরক্লবা হোৎনবগী মরম করিগীনো। ষ্টেট লেজিসলেসনগী পৱারদা লৈতবা বিল অমা পুথোক্লগা মদু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা চীংগী মীয়ামদা সেন্টিমেন্ট কার্দ শীজিন্নরগা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলগা অমসুং ভোটকী খুদোংচাবা ফংনবা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা চীং অমসুং তমগী মরীদা শিংচেপ থাবা থৌওং ওইনা থোকপগা লোয়ননা হান্নদগী শোকচিন্দুনা লৈরিবা চীং-তমগী মরীদা হেন্না শোকচিনহল্লক্কদবা থৌওংনি হায়না পাঙল খুন্নাইনা লৌই।

ইলেক্সনগী খুদোংচাবা খরা ফংনবা হোৎনবদা কামশিনখ্রিবা হূশিং অদু ইলেক্সনদি লোইখিগনি। অদুবু মদুনা চমজরবা মীয়ামগী থম্মোয়দা হূ ওইনা লৈহৌদুনা লমদম অসিগী অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশিনবগী মরীদা চাউনা অকায়বা পীরক্কদবা ওইবনা অম্মোকোক অমদি পাঙল খুন্নাইনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি। ঙসি ঙসিমক চীংগী মীয়াম্না থেঙ্খাং কয়াদা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা হীরম কয়াদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাৎপা কয়া অসি মেনখৎনবা পোলিসী প্রোগ্রাম খুদিংমক মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং পুন্না হিংমিন্নবগী কাঙলোনদা অকায়বা পীরোইদবা ওইরবদি অম্মোকোক অমদি পাঙল খুন্নাইনা শৌগৎচগনি। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা চীং-তমগী কাঙলুপ খুদিংমক্কী মীয়াম পুন্না হিংমিন্নরক্লি, পুন্না হিংমিন্নরি অমসুং পুন্না হিংমিন্নখিগনি। অপূনবগী শক্তমদা কায়হনগদবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী মরীদা অকায়বা পীগদবা হীরম অমত্তা পুথোক্লরোইসি। কাঙলুপ খুদিংমক অমনা অমবু ঈকায়খুম্নসি। নুংঙাই য়াইফবা, ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা তুংলমচৎকী অপূনবা মণিপুর খুন্নাই অমা শেম্মিন্নরসি হায়না মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তা অম্মোকোক অমদি পাঙল খুন্নাইনা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'লৌমীগী অৱাবা খঙবীদুনা লৌসাল লৌবীগনু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

লৌমীগী অৱাবা খঙবীদুনা লৌসাল লৌবীগনু হায়না লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লম্লাই মায়কৈগী ওইনা কুমগী নোং মতম চানা চুখিদবা অমদি লিক্লা চুখিবনা অপূনবা লৌফমগী চাদা ৭৫দি লৌ লোক্লোইদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী লুচিংবশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা স্পেসল ইনভাইটিজ ওইনা শরুক য়াখি। লম্লাইগী লৌফমগী অয়াম্বা শরুক লৌ লোক্ত্রে, ফৌথোক লৈত্রে। ফীভম অসিদা লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পা হায়বদুগী মথক্তা ৱানরে। লৌমী মীয়ামগী চঙখিবা অৱামল পুন্বা অরেম্বা তার। লৌমী মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীরগা মীনুংশি চাউবা লৌপুশিংনা লৌসাল লৌবীগনু হায়না পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা ফোঙদোকখি।

থেঙ্খাং অনীরক্তা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা লম্লাইগী লৌফম অয়াম্বদা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈগী লমজিং মখাদা এগ্রিকলচরেল এক্সপার্টশিং পুথদুনা য়েংশিন খোঙচৎশিং চৎখিবসু লৈখ্রে। লূপ অসিনা খঙজবদসু লৌফমশিং অসি নীংথিনা লৌ লোকপা য়াদ্রে। ফৌথোক খম থেংনা হন্থরে। ফীভম অসিদা লৌপুশিংনা লৌসাল খোমগৎপীবা হায়বসি য়াম্না তৌহৈদবা ওইগনি। মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীদুনা লৌমীগী অৱাবা খঙবীয়ু। লৈঙাক্কী মতেং ফংবা ঙমজদ্রবা লম্লাই এমেল্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মরাইবক থিরবা লৌমী মীয়ামগী অৱাবদা ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নসি। লম্লাই মায়কৈগী লৌমীশিংনা কুম খুদিং অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। অনৌবা লৌউ পথাপ লম্লাই মায়কৈদা মমি তাবা ঙমদ্রি। ফৌথোক চাথোক লৈবা অফবা মখলগী ফৌদিশিং লৌমীশিংনা ফংবা ঙমদ্রি। এগ্রিকলচর লোয়শঙদগী লৌমী মীয়াম্না ফংজবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া লম্লাই এ সীগী লৌমী মীয়াম্নদি করিসু কান্নবা ফংদ্রি। অৱাৎপতনা থল্লবা লৌমী মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীরগা অমদি কুমগী নোং মতম চানা চুখিদবদগী লৌ লোক্ত্রিবা ফীভম অসি য়েংবীরগা কুমসিগী ওইনা লৌসাল লৌবীদনবা মরী লৈনবা লৌপু খুদিংমক্তা পাউজেল পীজরি। করিগুম্বা লৌমীশিংদা লৌপুনা অকল-অরিং শিংবগী থবক তৌরক্লগদি লম্লাই মপারী থৌগল লূপতা পাউ ফাওবীরকউ হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, থৌবালনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গা খুৎশম্নদুনা ঙসি জি সী মীটকী খুখাংদা ভিদিও কনফরেন্সিং ওইনা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালগী চেয়রপর্সন বিনি ঙাঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ অরুনকুমারনা, লিগেল সর্ভিসেস ইন্সটিট্যুসন, পি এল ভিশিং অমদি পেনেল লোয়রশিংনা মীয়ামদা জষ্টিস ফংহন্ননবা হোৎনবদা মরুওইনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শুগায়বা ৱাফম থমখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মরক্তা চোকথবা নাইদনা পি এল ভিশিং অমদি পেনেল লোয়রশিংনা লৌখিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

দি এল এস এ থৌবালগী সেক্রেটরি এ শান্তনা দি এল এস এ থৌবালনা কুমজা ২০২১দা অজাদি কা অমৃত মহোৎসব, পান ইন্দিয়া এৱ্যের্নেস এন্দ আউটরিচ কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা ওক্টোবর ২২দা এরেষ্ট, দিটেন্সন এন্দ ইটস রিলেটেদ প্রোভিজনগী মতাংদা পাঙথোকখিবা ক্যুইজ কম্পিটিসনগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকখি হায়রি।

ইরায় লায়না খঙবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা সাইন্টিফিককী পাউজেল পীগদবনি : জয়কুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা সাইন্টিফিক্কী ওইবা থবক থৌরমশিং হেন্না খঙহন্ননবা হোৎনবদা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইবা কম্যুনিকেসন মথৌ তাই। মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্ননবা হোৎনবদা য়াম্না চন্বা অমদি ইরায় লায়না খঙবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা সাইন্টিফিক্কী ওইবা পাউজেলশিং পীগদবনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সাইন্স কম্যুনিকেটর্স ওন স্ক্রিপ্ট দিভেলপমেন্ট/রাইটিংগী মতাংদা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী তাকয়েল পাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, বর্ভেল কম্যুনিকেসন্দদি প্রোব্লেম লৈরমদবা য়াই। অদুবু রিটন কম্যুনিকেসন্দদি শোয়দনমক্কী খুদোংচাদবা মায়োক্লরমগনি। হৌরক্লিবা মীরোল অমদি মীয়ামদা সাইন্টিফিক্কী ওইবা ৱাখল্লোনশিং লৈহন্ননবা হোৎনবদা মরী লৈনবা খুদিংমকপু পূক্নিং থৌগৎপা চঙই। মরী লৈনবা ওফিসলশিংনসু অথুবা মতমদা সাইন্সকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা সাইন্টিফিক জর্নেলশিং পুথোকপা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর ঐচ এন কে শর্ম্মনা হায়খি, মীয়ামদা সাইন্টিফিক নোলেজ লৈহন্ননবা হোৎনবদা সাইন্স কম্যুনিকেটরশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না মরুওই। তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা সাইন্টিফিক্কী ইনফোর্মেসনশিং মীয়ামদা য়ৌহন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরম্বা য়াই। অদুমকপু কম্যুনিকেটরশিংনা য়ারিবমখৈ অচম্বা ৱাহৈশিং শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদুদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী দিরেক্টর হোমিলা হোঙ্গ্রেনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

রিমসতা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক ২০২১ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা ঙসি ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক ২০২১গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ফেকল্টি মেম্বরশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং নর্সিং ওফিসলশিং অমদি ষ্টাফশিংবু রিমসকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক মমাঙদা ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা থবক তৌননবা ৱাশক লৌখি।

শেঙ্গা-থুমজা তৌবনা লৈবাক অসিগী ইকনমিক, পোলিটিকেল অমসুং সোসলগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অপনবা কয়া থোকহল্লি অমসুং শেঙ্গা-থুমজা মুথৎননবা পুন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই হায়বা ৱাফমসু থৌরম অদুদা শুগায়না থমখি।

থৌরম অদুদা রিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিৎ, দেন্টেল কোলেজ অমসুং কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল অমদি দিন (একাদেমীক) প্রোফেসর ব্রোজেন অকোইজম, রিমসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর কাইকম দোঙেল, চীফ একাউন্টস ওফিসর ঈ দেবেন্দ্রো মৈতৈ, মেদিকেল দেন্টেল অমসুং নর্সিং কোলেজগী ফেকল্টিশিং, নর্সিং ওফিসলশিং অমদি ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবনা দেম্মোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : অনিশ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

মোইরাং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ক্বাক্তাদা চহী ২৫ রোম থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী ক্বাক্তাগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎখিবা শেমখিবা ওল ক্বাক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগা মোইরাং এ সীগী এম এল এ অমদি পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুরগী ঈ ঈগা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি গ্রাম পঞ্চায়ট এরিয়াদা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদগী ঈশিং পীরগনি অমদি ফেল ওইদুনা লৈরবা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অনীসু হিঙ্গৎহল্লগনি হায়না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৮দা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবনা দেম্মোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল ক্বাক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি অনিশ অহমদনা ফোঙদোরক্লি।

ক্বাক্তাদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অনিশ অহমদনা হায়খি, ক্বাক্তাদা মশেমলোক অমদি তুরেললুদগী হৌখিবা জন্যুৱারী থাদগী ক্বাক্তাদা ঈশিং লেপ্তুনা য়ৌহল্লগনি লোয়ননা ক্বাক্তা চরাংপাৎ ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমদি ক্বাক্তা ষনধোং ৱাটর সপ্লায় স্কিম হিঙ্গৎহল্লগনি লোয়ননা নৌনা হৌগদবা এন দি বি প্রোজেক্ট জন্যুৱারী থাদগী হৌরগনি হায়না য়ানখ্রগা তুমীন্না লৈশিনখ্রে। মসি কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমদি ক্বাক্তা মীয়াম্বু অপঙবা শীবনি। লাক্লিবা নবেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারগদি নবেম্বর ১৬তগী দেম্মোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। মসিদা তাবীদ্রবদি এম এল এসু বোয়কোট তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্ননবা নিংথম লৌরোক্কী মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা কুম্বী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা আই সী এ আর সোসাইটি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা নুঙু চন্দোনপোকপীদা লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্ননবা নিংথম লৌরোক্কী মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে।

কে ঐচ নবকুমারনা ঙসি য়েন্থোকখিবা মরূ-মরাংশিং অদুদি হৱাই থরাক, মঙ্গল অমদি হঙ্গাম মরূশিংনি। হন্দক্কী খরিফ লৌরোক্তা নোং মরাং কায়না চুখিদবদগী ফৌথোক ৱাৎপনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা অৱা-মৈশা কয়া নংলিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবা মথৌ তাবা নিংথম লৌরোক্কী মরূ-মরাংশিং ৱাৎতনবা পীগনি। লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখল অসিদা মহাকপু কুম্বী এ সীগী মীয়াম্না এম এল এ ওইনা থাগৎপীরবদি চহী চুপ্পা লমদম অদুগী লৌবুকশিংদা ঈশিং ৱাৎতনা পীগনি। লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু কে ঐচ নবকুমারনা ফোঙদোকখি।

ইমা মঙ্গিনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগীদা নত্তনা লৈবাক্কী থৌগাই কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী ইমা মঙ্গিনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী আই পি আর সেক্রেটরি রোশিনিকান্ত তখেলচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা মঙ্গি নবেম্বর ৮দা লৈখিদ্রে তাবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। ইমা অসি খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমসুং শক্তম কনবা লূপকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বতা নত্তনা লৈপাক্কী চাউর-তাউরবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ইমানি। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা তূম্বা চাবা খঙদনা অহিং য়ারেক্তুনা হোৎনখিবা ইমানি। ইরমদম মীয়ামগী ঈহৌ কয়াদা খরদং পল্লবদা ঙমখৈ কনবগী ঈহৌ, অফস্পা ১৯৫৮কী ঈহৌ অমদি ইরমদমসিগী মীতোপ মীয়ানচাশিংদগী কঞ্জনবা, সী এ বি/সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বগী ঈহৌ, আই এল পি পুরক্লবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখিবা ইমানি।

খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংবু ৱাখল তামিন্নদুনা লৈপাক্কী ইস্যু কয়াবু মমুৎ তানা নৈনরগা খোঙজং চঙশিনবদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবী ইমা অসিনা লৈখিদবা অসি ঐখোয় পুম্নমক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা পান্দমগী ওফিসতা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা পাঙথোকখি। লৈখিদ্রবী ইমাগী থৱায়না লাইরল্লেন্দা ঈংনা চিক্লা য়াতারুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু মচা ওইবা ঐখোয়না শরুক য়াজরি।

চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে)গী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপী চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর)গী অচৌবা ইস্যু কয়াদা মাঙজিন থানা শরুক য়ারম্বী কৈথেলগী ইমা মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে)না অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু সী এল কেনা শরুক য়াজরি। ইমা মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি ইরমদম অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। ইমানা কংলৈ খুন্নাই অসিদা থোকপা লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মাঙজিন থানা চেঞ্জ-চোংজরম্বশিং অদু মুৎনাইদনা অদুম্মক তুংগী মীরোলনা শক্ল শোন্নদুনা লৈহৌরগনি। ইমাগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুর (দব্লিয়ু য়ু এম)গী মীদিয়া কো-ওর্দিনেটর টি ঐচ পুথিবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম শাংনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলবু মহৌশাগী শক্তম কন্দুনা মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা কৈথেল অসিগী মশক তাক্লবা হনবা লৈতনা লেপ্তুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবী লমদমসিগী থৌনা লৈবী ইমা মঙ্গিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুর (দব্লিয়ু য়ু এম)গী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। ইমাগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইরসনু। ইমানা হিংলিঙৈদা দব্লিয়ু য়ু এমগী মচাশিংবু অচান-মীরাই নাইদনা পোকচবা মচাগুম করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা ঙাকপী শেনবীরকখিবা কয়ানা ঙসিদি মায় পাকপা শিন্নী অমমম ওইবা ঙমজরিবসি ইমাগী শিংবা ঙল্লরোইদবা লমন অমা তোনশিল্লবনি। ইমানা লৈখিদবা ইমুং-মনুংনা ফাওরিবা অৱাবদসু দব্লিয়ু য়ু এমনা শরুক য়াজরি। ইমানা লৈখিদবা হায়বসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগীতা নত্তনা শেন্মীৎলোনগী লমদা চাউনা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাবা অমা ওইহৌরগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তরাহৈ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টি ৱাই দি ও)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি বিএম রাশিদ আলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগীতা নত্তনা লৈবাক্কী থৌগাই কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী ইমা মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা তরাহৈ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

সোসল এক্টিভিষ্ট বি এম য়াইমা শাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা লূপ অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মীফম অসিনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ইমানা হিংলিঙৈ মতমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলখক্কী নত্তনা লমদমসিগী থৌগাই কয়াদসু থৌদাং লৌবীরম্ববু শীংথাখি। ইমা মঙ্গিনা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী অফবী মমা অমা মাঙজরবনি। মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহাংবা অমদি অসুম লৈহৌরগনি। ইমানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কায়নবগী অৱাবা নংহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিগী থৌমীশিংনা অৱাবদা শরুক য়াজরি। ইমাগী থৱায় মিরেননা তাইবং মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীবা ওইরসনু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

নিঙোল খুদোল থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৬তা লৈবা পল্লেম পন্থৌ মশাইগোলগী ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা অহল ওইরবী নিঙোলশিংদা নিঙোল খুদোল তম্বগী 'নিঙোল খুদোল থৌরম ২০২১' চাক্লেন অমগা লোয়ননা লাক্লিবা নবেম্বর ১০দা পাঙথোক্কনি হায়না পল্লেম পন্থৌ মশাইগোলগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম কমলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুরগী নিংথৌ অমদি রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা অথোইবা মীথুংলেন, পল্লেম পন্থৌ মশাইগোলগী থৌবুরেল য়ুম্নাম মহেন্দ্র কুমারনা থৌরম মপু, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অধক্ষ বিমোলা পোৎশংবম, সোসল রিফোর্মস রিওর্গনাইজেসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি সোবিতা মাইবম, সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সকী মেনেজিং দিরেক্টর কম সেক্রেটরি ডা. এস কুমার অমসুং ডা. নোংমাইথেম রোজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা হোমসিদা লৈরিবী নিঙোলশিংদা ঙমজবা তোঙান তোঙানবা খুদোলশিং তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎকনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।